
# চাইনা, জাপান ঙাকশেল থৌরাংগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে



মমাংগী চহিগী নভেম্বরদা বৈজিংদা পাঙথোকপা এপেক্ট সম্মিটতা জাপান পিএম অবে (ওই) অমদি চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিং

**টোকিও, মার্চ ১৯ :**

চাইনা অমদি জাপাননা চহি মরিগী মতুংদা অহানবা ওইনা সিক্যুরিটিগী হিরমদা অৱাংবা থাক্কী ৱারী শান্নবা হৌখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অনিগী মরক্তা মতম কুইনদগী লমগী মতাং অমদি ইতিহাসকা মরী লৈনবা হিরমশিংদা উংখৎনদুনা লাকখ্রবা তুংদা অৱাংবা থাক্কী ৱারী অসি হৌখিবনি।

টোকিওদা লৈবাক অনিগী লুচিংবশিং উন্নখিবা অসি খা কোরিয়াসু য়াওনা লৈবাক অহুমগী থাক্তা লাক্লিবা থাংজ নুমিত্তগী শান্নগদৌরিবা ৱারী অসিগী মাংওইননা পাঙথোকখিবনি।

লৈবাক অনিগী মরক্তা খ্বাইদগী কোন্না ৱারী শান্নখিবদি ইং ২০১১ দনি। মদুগী মতুংদগী ইষ্ট চাইনা সিদা লৈবা ঈথৎ খরগী মতাংদা লৈবাক অনি উংখৎনবা হেল্লকখিবনি।

ৱাফম অমনা মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাও মতমদা জাপাননা চাইনাগী মথক্তা অকন-অরিং শিংখিবা অদুবু নৌনা পোপথোক্তনবা চাইনানা তকশিনবদা জাপাননা য়াদদুনা লাকখিবনি। অদুমকপু বৈজিংদগী বি বি সি গী সেলিয়া হেটননা হায়বদদি লৈবাক অনিগী মরী তপ্না তপ্না ফগৎলক্লি। অদুগা লৈবাক অনিগী লুচিংবশিং টোকিওদা উন্নগদৌরিবা অসিদা লৈবাক অনিগী মরক্তা মেরিটাইম কম্যুনিকেসন হোট লাইন অমা লৈহনবা অসিনা খ্বাইদগী মরুওইবা হিরম ওইগদৌরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াবা অমনা জাপাননা সেনকাকু হায়বা অদুগা চাইনানা দিয়াওয়ু হায়না থোনবা ঈথৎ খরগী মনাক্তা পেট্রোল্লিং চৎনখিবা লৈবাক অনিগী জহাজশিংগী মরক্তা শোয়বদগী নত্রগা অতম্নবা মওংদা খুৎ থোক্নরকপা য়াবগী মীপাইবা চাউনা লৈখিবনি।

লৈবাক অনিগী মরক্তা শান্নরিবা অৱাংবা থাক্কী ৱারী অসিগী মতাংদা ফোরেন মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়খিবদা, মায়কৈ অনিমক্না লৈবাক অনিগী তোঙান তোঙানবা দিফেন্স পোলিসিশিংগী মতাংদা নুংদা থুপ্না লৈনরিবা ৱাখল্লোনশিং পুথোক্নদুনা কুপ্না খন্নবগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চাইনাগী এসিস্টেন্ট ফোরেন মিনিষ্টর লিয়ু জিয়ানচাওনা হায়খিবদসু লৈবাক অনিনা ইতিহাসকী থৌদোক ৱাথোকশিং থম্মোয় শেংনা পুথোক্নদুনা তুংলমচৎকী অফবা অহোংবা অমগী মতাংদা ৱারী শান্নরবা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী মীটিং অসি লৈবাক অনিমক্না হৌখিবা থা খরদা লৈনখিবা নুংঙাইনদবশিং শেংদোক্নবা খুদোংচাবা অমা ওইগনি হায়নসু লৈবাক অনিমক্না থাজনরি।

পনবা য়াবা অমনা, বৈজিংদা মমাং চহিগী নভেম্বরদা পাঙথোকখিবা এসিয়া পেসিফিক ইকোনোমিক কোওপরেসন সম্মিটগী নাক ওইনা চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিং অমদি জাপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা হকথেংননা উন্নদুনা খুৎ শোক্নখিবদা সম্মিট শরুক য়াবা লাকখিবা মালেমগী লুচিংবা কয়ামরুম্না থাজদনা হরাওবা ফোঙদোক্নখিবনি। মতম অদুদা লৈবাক অনিমক্না লৈবাক অনিগী মরক্তা মেরিটাইম ক্রাইসিস মেকানিজম অমা লিংনবা য়ান্নখিবনি।

ৱাফম অমনা চাইনা অমদি খা কোরিয়ানসু মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাও মতমদা জাপাননা লৈবাক অনিগী মথক্তা চৎখিবা অকন অরিং শিংবা থৌরমশিং নৌনা নীংশিংহনবগীদমক ৱারৌবা ফোঙদোক্লিবনি।

লৈবাক অহুমগী লুচিংবশিং লাক্লিবা থাংজ নুমিত্তা উন্নদুনা লৈবাক অহুম্মক্কী ওইবা মরী ফগৎহন্নবা অমদি য়ান্নদবা লৈবশিং থম্মোয় শেংনা শেংদোক্নবগী থাজবসু লৈরি হায়না লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা রামকৃষ্ণননা বৃটেনগী রোয়েল সোসাইটিগী মকোক ওইরগনি



রোয়েল সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট ইলেক্ট ওইরবা এপোইন্ট তৌরবা রামকৃষ্ণন

**লণ্ডন, মার্চ ১৯ :**

কেম্ব্রিজদা বৃটিশ মেদিকেল রিসার্চ কাউন্সিলগী লেবোরেটরি ওফ মোলিক্যুলর বাইওলোজিদা দিপ্যুটি দিরেক্টর অদুগা রোয়েল সোসাইটিগী ফেলোসু ওইরিবা নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা ভেনকটরামন রামকৃষ্ণনবু রোয়েল সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট ইলেক্ট ওইনা কনফার্ম তৌখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

রোয়েল সোসাইটিগী কাউন্সিলনা ঙরাং মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট কনফার্ম তৌখ্রে। ইন্দিয়াদা পোকখিবা সাইন্টিষ্ট অসিনা চহি অসিগী দিসেম্বর ১ দা অনৌবা ফম অসি শক্লাইরবা জিনেটিসিষ্ট সার পাউল নর্সকী মহুৎ শিন্দুনা পুবা হৌরগনি।

নীংশিংবা য়াবা অমনা ইং ২০০৯ দা প্রোফেসার রামকৃষ্ণন কেমিষ্ট্রিদা নোবেল প্রাইজ ফংখিবনি। বি বি সিদা প্রোফেসার অসিনা মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট অসিগী মতাংদা হায়খিবদা, এপোইন্টমেন্ট অসি ফংবদা মহাকপু থোইদোক্না ইকায় খুম্নবিবা ওইনা ফাওই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রোয়েল সোসাইটিগী মকোক থোংবা ফম অসি বাইওলোজিকেল সাইন্সেসতগী লাকপা সাইন্টিষ্ট অমনা ওইবা রামকৃষ্ণননগা থানা থংন-থংননা অনিরক শুরে।

টামিল নাদুগী চিতম্বরমদা পোকখিবা রামকৃষ্ণনন বরোদা য়ুনিভর্সিটিদগী ফিজিক্সতা সাইন্স গ্রেজুয়ে ওইরবা তুংদা য়ু এস এ গী ওহিয়ো য়ুনিভর্সিটিদা পি ঐচ দি ফংখিবনি।

মখা তানা য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়াদা মহাক বাইওলোজি তম্লকখি। অদুগা য়ালে য়ুনিভর্সিটিদা পোষ্ট-ডোক্তরেল ফেলোসু ওইরকখি।

ইং ১৯৯৯ দা মহাক এল এম বিদা গ্রুপ লিদর ওইনা চৎখি। ইং ২০০৩ দা রোয়েল সোসাইটিদা ফেলো ওইরকখিবা রামকৃষ্ণননবু বৃটেননা ইং ২০১২ দা নাইটহুদ পীখি।

পনবায়াবা অমনা, বৃটেনগী রোয়েল সোসাইটি অসি মালেমগী খ্বাইদগী তোমথিন ওইরবা সাইন্টিষ্টশিংগী সেল্ফ গোভর্নিং ফেল্লোশিপ অমনি। সোসাইটি অসিগী থবক থৌরমশিংগী সাইন্সতা মীথোই মীহেনবশিংবু শৌগৎপা অদুগা মীওইবগী ওইবা য়াইফ-থৌরাংশিংদা সাইন্সকী চন্নফম হেনগৎহনবা হায়বসিনি।

# চিলিগী ভিলারিকা পোকখায়খ্রে



ভিলারিকাদগী উৎ অমসুং লাভা কাপথোরকখিবা

**ভিলারিকা, মার্চ ১৯ঃ**

চিলিগী খারোমদা লৈবা ভিলারিকা মৈগী চীং হৌখিবা মার্চ ৩ দা পোকখায়খ্রবা তুংদা নৌনা অমুক ঙরাংসু পোকখায়রক্তুনা লাভাসু য়াওনা উৎ-মপৈশিং কাপথোরকখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিদগী চিলিদা খ্বাইদগী ৱাংবা অনিশুবা ওইরিবা মৈগী চীং অসি পোকখায়রকপদগী ভিলারিকাদগী ওরেঞ্জ ফাওবদা লৈবা চীং মনাক্তা মী তাবা মফমশিংদা ওফিসিয়েলশিংনা এলার্ট লাউথোকখ্রে।

স্কুল খরসু থিংজিনখিবগা লোয়ননা মহৈরোই ৫৫০০ রোম ক্লাস তৌবা য়াখিদ্রে। থাসিগী হৌরকপদা মৈগী চীং অসি পোকখায়রকপদগী মীওই লিশিং কয়ামরুমসু খুদোংথিবা য়াবা মফমশিংদগী হোন্দোকখ্রবনি।

থৌদোক অদুদসু মৈগী চীং অসিদগী লাভা অমদি উৎকী মপৈশিং নোংথক্তা মিটর লিশিং ১ (ফিট ৩৩০০) রোম ৱাংনা কাপখৎখিবনি।

অমরোমদা মিটর ২৮৪০ ৱাংবা ভিলারিকা মৈগী চীং অসি হায়করশিংনা থোইদোক্না পান্নবা চীং অমসু ওইরিবনি। কালেন থা খুদিংগী চীংকারোই চা কয়ামরুম চীংদোন্দা কাখৎতুনা মৈগী চীং মচিন্দা য়েংথনবা লাক্লবনি।

মার্চ ৩ দা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা অমত্তা শিবদি য়াওখিদবনি। অদুমকপু ২০শুবা চহিচা মনুংদা মৈগী চীং অসিদগী য়াল্লবা লৈখুম লৈনাং মপৈশিং কাপথোক্তুনা চেন্থরকপদগী মীওই ১০০ হেন্না শিবগী থৌদোক অমদি থোকখিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# য়েমেন প্রসিদেন্ট ফোর্সনা এয়ারপোর্ট লৌশিনখ্রে

**এদেন, মার্চ ১৯ঃ**

য়েমেনগী প্রসিদেন্ট অবদ্রাবুহ মন্সুর হাদিবু শৌগৎপা ফোর্সশিংনা য়ান্নদবা ফোর্সশিংগা কন্না খুৎ থোক্নখ্রবা তুংদা ঙসি এদেনগী ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্ট লৌশিনবা ঙমখ্রে হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা মীওই ৬ সু শিখ্রে হায়না লোকেল ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

প্রসিদেন্ট হাদিগী লান্মীশিংনা খারোমদা লৈবা পোর্ট সিটি অসিদা কেম্পশিং অমদি আরর্মদ ভেহিকলশিং থাজিন্দুনা হান্নগী প্রসিদেন্ট আলি অব্দুলাহ সালেহবু য়াবা স্পিসিয়েল ফোর্সশিংগী মথক্তা কন্না খুৎ থাখি।

পনবা য়াবদি, হান্নগী প্রসিদেন্ট অব্দুলাহ সালেহগী ফোর্সশিং অসি য়েমেনগী অৱাংথংবা মফমশিংবু কন্ট্রোল তৌরিবা হৌথিশিংগা মপাং ওইনবনি। অমরোমদা ইরাননা শৌগৎপা হৌথি রিবেলশিংনা মমাং চহিদগী খুৎ কনবা হেনগৎলক্তুনা য়েমেনগী চয়েৎনরবা রাজনীতি অমদি লাইনিংগী ওইবা নাকপাক তান্নবগী থৌদোকশিং হেন্না অরুবা ফিভমদা লাকখিবনি।

লান্মীশিংগী মরক্তসু নাকপাক তান্নরকপদগী লৈবাক অসি হৌজিক হৌজিকমক মালেমদগী তোকখায় তাবগী ফিভমদা লৈরিবনি।

এদেনগী খোর মক্সর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা স্পিসিয়েল ফোর্সকী বেজ মনাক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং অদু মী লৈনবা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদসু শন্দোরক্তুনা অনকপদা লৈবা এয়ারপোর্ট তাবা লম্বীশিং চখোক-চৎশিন য়াহনখিদ্রে।

এয়ারপোর্ট ওথোরিটিশিংনসু ঙসি অয়ুক অঙনবদগী খুৎ থোক্নবা হেক হৌরকখিবা মতুংদা ফ্লাইট অমদি কেন্সেল তৌখ্রে।

হান্নগী প্রসিদেন্ট অব্দুলাহ সালেহগী স্পিসিয়েল ফোসশিংগা প্রসিদেন্ট হাদিবু শৌগৎপা পোপুলর কম্মিটিজ হায়রগা খঙনবা লোকেল মিলিসিয়াশিংগা অনিগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্নখিবনি।

লোকেল ওফিসিয়েল অমনা হায়খিবদা, অনকপদা লৈবা অদুগা হাদিগা মীচং ওইবা আর্মি কেম্প অমদগী থোক্নকপা রিগুলর ত্রুপশিংনা শৌগৎপা মিলিসিয়াশিংনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা এয়ারপোর্ট অদু লৌশিল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সিক্যুরিটি অমদি মেদিকেল লিখুনশিংনা হায়বদসু স্পিসিয়েল ফোসের্সকী লান্মী ৪ অদুগা মিলিসিয়াশিংগী লান্মী ২ খুৎ থোক্নবদা শিখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। অশোকপসু কয়ামরুম য়াওখি। অদুমকপু চপ চাবা মশিংদি খুদক্কী ওইনা ফংবা ঙমদ্রি হায়রি।

এদেন্দা ওইরিবা ফিভম অসিনা মতম অমদা য়ু এস না খ্বাইদগী মীপাইখিবা অল-কাইদাগী তমথিবা এটেকশিং অদুদগী হেন্না নুংনাংনিংঙাই ওইরে হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# স্বিদিস রেষ্টুরেন্টতা নোংমৈনা কাপ্পদা ২ শিরে

**গোথেনবর্গ, মার্চ ১৯ঃ**

স্বিদেনগী খা নোংচুপলোমদা লৈবা সিটি অসিদা লৈবা রেষ্টুরেন্ট অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই অনি শিরে। অদুগা ১৫ না শোক্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা হায়বদা, এটেক্করশিং অদুনা ঙরাং অহিং অথেংবদা শিজিন্নখিবা নোংমৈ অদু কলাসনিকোব এসোল্ট রাইফলশিং ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা শিখিবা মীওই অনি অদু মশাগী চহি ২০ অমদি ২৫ শুরম্বা য়াই হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোকখি।

পুলিসকী ৱাঙাংলোই নুপী উলা ব্রেহমগী ৱারোল পল্লদুনা লিখুন অমনা হায়বদা, নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু খুৎলায় পায়বা গেঙশিংগী মরক্তা নুংঙাইনদবদগী ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোরকখি।

থৌদোক অদুবু থেংনহৌবা অমনা স্বিদেনগী এস ভি টি ব্রোদকাষ্টরদা হায়খিবদা, মীওই অনি রেষ্টুরেন্ট অদুদা অহিং অথেংবদা চংলক্লগা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

থোকখিবা থৌদোক অদুগী মরমদা ৱাখল অমত্তা খনবা নংহৌদ্রিঙৈদা ঐগী কোক্তগী ঈ থোক্লককখি। ঈ অদু খকহন্নবা খুৎনা কন্না মেনখি হায়নসু মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা মীশক অদুনা ফোঙদোকখি।

কষ্টমরশিংনা ফুটবোল গেম অমা য়েংলিঙৈদা নোংমৈ কাপ্পগী এটেক অদু চখরকখিবনি হায়রি। নোংমৈ কাপ্লল্লবা তুংদা এটেক্করশিং অদুদি চেনখ্রে। পুলিসনা খুদক্তা মফম অদুবু সিল্ড তৌশিনবগা লোয়ননা মীহাৎপগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন চখবা হৌখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াবা অমনা চৎখিবা জানুৱারী ৩০ দসু রেষ্টুরেন্ট অসিমক্কী মপান্দা লৈবা স্কোয়ারদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমা থোকপদা মীওই অমা শোকখিবনি।

ঙরাংগী থৌদোক অসিগা জানুৱারী ৩০ গী থৌদোক অদুগা মরী লৈনব্রা হায়বা শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

পনবা য়াবা অমনা, স্বিদেনগী অচৌবা সিটিশিংদা নোংমৈ য়াওবা ভাইওলেন্স থৌদোকশিং থোকপা মসিনা অহানবা নত্তে। অদুমকপু মীয়াম তিনবা মফমদা নোংমৈ কাপ্পবদগী মীওই কয়ামরুম অশোক-অপন নংহনবা অসিদি তাংনা থোকপা থৌদোক্লি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# পাকিষ্টান্দা ফাদোক ৯ অঙাং ওলহনখ্রে

**ইস্লামাবাদ, মার্চ ১৯ঃ**

হান্ননা শিবগী চৈরাক লাউথোক্তুনা লৈরবা কনভিক্ট ৯ ঙরাং পাকিষ্টানগী জেলশিংদা অঙাং ওলহনখিবগা লোয়ননা পেসাৱর স্কুল এটেক মতুংদগী অঙাং ওলহনখিবা ফাদোক মশিং পুন্না ৪৮ শুরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

শিবগী চৈরাক লাউথোকখ্রবা ফাদোক ১২ মমাংগী নুমিত্তা অঙাং ওলহনখিবগী নোংমা কোনবদা কনভিক্ট ৯ অঙাং ওলহনবগী থৌদোক অসি থোকখিবনি।

পেসাৱর স্কুল এটেক্তা অঙাংশিংনা নম্না পুন্না মীওই ১৫০ হাৎখ্রবা তুংদা লৈবাক অদুদা কেপিটেল পনিসমেন্টকী মোরেটোরিয়মশিং ইং ২০০৮ দগী থম্লকখিবা অদু লৌথোকখিবগা লোয়ননা কনভিক্টশিংবু মথং মথং অঙাং ওলহনবগী খোঙথাংশিং লেপ্তুনা লৌখৎলকপনি।

মালেম পুম্বনা শিবগী চৈরাক্কা শাগোন্নবা মোরেটোরিয়মশিং অমুক হন্না চৎনগদবনি হায়না তকশিনবদা পাকিষ্টানগী ওথোরিটিশিংনা নাচুংবা তৌদনা ফাদোকশিংবু শিবগী চৈরাক পীরকপনি।

নীংশিংবা য়াবা অমনা হৌখিবা লৈবাকপোকপদা মিলিটেন্সি অমদি মর্দর চার্জগা মরী লৈনবা ফাদোকশিং নোংমদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না অঙাং ওলহনবগী থৌদোক ওইনা কনভিক্ট ১২ পাকিষ্টানগী জেলশিংদা থৌরিদা য়ানখিবনি।

# ইস্লামিক ষ্টেটনা ইরাক্তা জেনোসাইদ চখখ্রে ঃ য়ুএন



আই এস সুইসাইদ বোম্বর অমগী পোকখায়খ্রবা গাড়ী মনাক্তা সিয়াইট ফাইটরশিং লৈরি

**জেনেভা, মার্চ ১৯ঃ**

ইরাক্তা মশিং য়ামদবা য়াজিদি কাঙলুপশিংগী মথক্তা ইস্লামিক ষ্টেট ফাইটরশিংনা জেনোসাইদ চখরম্বা য়াই হায়বগা লোয়ননা অঙাংশিংসু য়াওনা মীচমশিংগী মথক্তা লুপ অসিনা মীওইবগী মায়োক্তা লৈবা ৱার ক্রাইমশিং চখরম্বা য়াই হায়না য়ু এননা ফোঙদোকখ্রে।

ভিক্তিমশিং অমদি ৱিটনেস ১০০ হেনবদগী লৌবা ইন্টরভিয়ুশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা শেম্বা রিপোর্ট অমদা মীপাইবা অসি ফোঙদোক্লদুনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলবু ইরাক্তা ওইরিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা আই এস কী মথক্তা প্রোজিক্যুসন চখনবা ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্টতা পুখৎহন্নবা তকশিনখ্রে।

য়ু এন রিপোর্ট অদুদা হায়বদা, ইরাক গভর্নমেন্টকী ফোর্সশিং অমদি মখোয়গা খুৎশম্নবা মিলিসিয়াশিংনসু ৱার ক্রাইম খরদি চখরমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলনা মমাং চহিগী সেপ্টেম্বরদা আই এসকী মথক্তা ইনক্কারি অমা চখবা হৌরকখিবনি। অৱাং থংবা ইরাক্তা পাক চাউরবা মফম অমা লৌশিনখ্রবা আই এস না জেনোসাইদ অমদি মীওইবগী মায়োক্তা লৈবা ক্রাইমশিং চথৈ হায়বগী খুদম ওইবা য়াবা মতিক চাবা ঈ-পাউ লৈরে হায়নসু রিপোর্ট অদুদা ফোঙদোরকখি।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনসু ইরাক্কী ৱাথোক অসি ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্টতা পুখৎনবা খন্নগদবনি হায়নসু রিপোর্ট অদুদা তকশিল্লকখি।

য়াজিদিশিং অমদি খৃষ্টানশিং অদুগা অতৈ মশিং য়ামদবশিংনা খুন্দাবা টাউনশিং অমদি ভিলেজ কয়ামরুমদা আই এস না অতম্না শেম শাবা এটেকশিং চখখ্রে হায়বগী খুদম লৈ হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পল্লকখি।

মমাং চহিগী সেপ্টেম্বরদা অনবারদা ইরাক লান্মীশিংগী মথক্তা আই এস না কেমিকেল ৱেপন শিজিন্নখিবগী পাউ লৈ হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পল্লকখি।

# য়িংলুক সিনাৱাত্রা ৱায়েল মায়োক্নগদৌরি

**বেঙ্কোক, মার্চ ১৯ঃ**

থাইলেন্দদা মতম খরগী মমাংদা থোকখিবা রাইস সবসিদি স্কিমগী ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাবু ৱায়েল মায়োক্নবা থাইলেন্দগী সুপ্রিম কোর্টনা ওর্দর অমা থোকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

করিগুম্বা ৱায়েল চখবদা, চপ চাবা মরাল ফংলগদি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসি চহি তরা ফাওবা কৈশুমশঙদা লৈবগী চৈরাক ফংবা য়ানা লৈরি।

সিনাৱাত্রাগী ইমুং মনুংনা থাইলেন্দগী লৈঙাক্তা খুৎ কন্না লৈরকপদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী কনবা চৈথেং হায়বদু ওইগদৌরি। মসিগী মমাংদা য়িংলুকপু থাইলেন্দগী পোলিটিক্সতা চংলকপদা চহি মঙাগী ওইনা অথিংবসু থমখ্রবনি।

মমাং চহিগী মে থাদা মিলিটরিনা য়িংলুক্কী গভর্নমেন্টপু চিংথদুনা লৈবাক্কী লৈঙাক পায়শিনখিবনি। মদুগী মমাংদা মীয়াম্না প্রাইম মিনিষ্টর অসিগী মায়োক্তা মতম শাংনা ৱাকৎ ঈহৌ চংশিল্লক্লবা তুংদা মিলিটরিনা তঙাইফদনা থাইলেন্দদা তং তাবা ফিভম অমা পুরক্লবনি হায়দুনা য়িংলুক্কী গভনমেন্ট চিংথখিবনি।

অদুগী মতুংদা চহি অসিগী জানুৱারী থাদা মিলিটরিনা খনবা লেজিসলেচর অমনা রাইস সবসিদি স্কিমদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা অরানবা থৌওংশিং চখখি হায়বগীদমক মরাল ফংলে হায়দুনা লাউথোকখিবনি।

থাইলেন্দগী এটরনি জেনরেলনা চহিসিগী ফেব্রুৱারী থাদা য়িংলুক্কী মথক্তা ক্রিমিনেল চার্জশিং ফাইল তৌখিবনি। ঙসি থাইলেন্দ সুপ্রিম কোর্টকী জজ ভিরাফোল তাংসুৱাননা হায়খিবদা, জজশিংগী পেনেলদনা কেস অসি সুপ্রিম কোর্টকী ওথোরিটিনা কোনশিল্লি হায়বগা লোয়ননা কেস অসি পায়নবা য়ারে হায়বগী ফিরেপ লৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াবা অমনা, ৱায়াম্নরিবা রাইস সবসিদি স্কিম চখবদা সিনাৱাত্রানা রুরেল এরিয়াশিংদা লৈবা মহাকপু শৌগৎপা ফার্মরশিংদা মমল কা হেন্না ৱাংনা পীদুনা গভর্নমেন্টনা চেঙ লৈবদা লৈবাক্কী লন মাঙহনখি হায়না মরাল শিরিবনি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মমাংদসু ইং ২০০৬ তা থোকখিবা মিলিটরি কু অমনা য়িংলুক্কী মবুং থাকসিন সিনাৱাত্রাবু মফমদগী লৌথোকখিবনি। মদুগী মতুংদা মশানা মশাবু লোয় থাজদুনা থাকশিন সিনাৱাত্রা থাইলেন্দগী ৱাংমদা লৈরকখিবনি। অদুমকপু সিনাৱাত্রা ইমুংগী ইনফ্লুয়েন্স মখা চখদুনা মখোয়গী মপাং ওইবা পার্টিশিংনা ইং ২০০১ গী মতুংগী মীখলশিংদা মায় পাকখিবনি।

# টুনিসিয়াদা জাপানিজ ৩ শিখ্রে

**টোকিও, মার্চ ১৯ঃ**

টুনিসিয়াদা মিলিটেন্টশিংনা লম কোয়বশিংদা এটেক তৌবদা মীশি মীনা থোকহনখিবগী মনুংদা জাপান মচা অহুম শিবদা য়াওখ্রে অদুগা অহুম্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়বা ৱাফম জাপানিজ গভর্নমেন্টনা ঙসি কনফার্ম তৌখ্রে।

টুনিসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনদি মমাংদা হায়খিবদা, মিলিটেন্টশিংনা লম কোয়বশিংদা এটেক চখবদা শিখিবা ১৯ গী মনুংদা জাপান মচা মঙা য়াওই হায়না ফোঙদোকখিবনি। অদুমকপু মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা জাপানিজ ওফিসিয়েল অমনা হায়বদদি পাউ অদু হেক ফংবগা চেক্কিং চখবদা মমিং খরা হঞ্জিন্নবা য়াওরম্মী হায়রদুনা শিবদা য়াওখিবা জাপান মচা ৩ খক্তনি হায়বা খঙবা ঙমখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

জাপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনসু পাউমীশিংদা জাপান মচা অহুম শিরে অদুগা অহুম্না শোক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মীহাৎ অদুবু অকনবা ৱাহৈদা কন্দেম তৌরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা হায়খিবদা, করিগুম্বা ফিভম অমত্তদা টেরোরিজম্বু য়ানিংঙাই ওইদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

টোকিওদা চৎখিবা খোঙচৎ অমদা য়ু এস কী ফার্ষ্ট লেদ্দি মিচেল ওবামানা হায়খিবদা, টুনিসিয়াদা ঙরাং থোকখিবা অকিবগী মশক ওইরবা থৌদোক অদুদা ঐহাক্না অৱাবা ফোঙদোক্লি। শিখ্রবশিং অদুগী নুংশি চান্নবা মীওইশিংগী অৱাবদা ঐসু শরুক য়ারি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।


In the Court of the Sub-Deputy Collector
Porompat Imphal East, Manipur
*Ref. :- Mutation Case No. 195/SDC/P of 2015*

**1. Khaidem Manihar Singh**
S/o. (L) Chaoba Singh of Khongpal Khaidem Leikai
**2. Kh. Nimai Singh**
S/o. (L) Mangi Singh of Khongpal Khaidem Leikai
***- Pettitioners***

***-Vrs-***

**1. Khaidem Chaoba Singh,** S/o. (L) Iboton Singh
**2. Kh. Mangi Singh,** S/o. (L) Iboton Singh
all of Kongpal Khaidem Leikai.
***- O.P.s***

**NOTICE**

*Porompat, the 19th February, 2015*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খংহল্লি মদুদিঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 22-Khaidem Leikai কী Patta No. 25 (অরিবা) 26 (অনৌবা) C.S. Dag No. 22 an area 0.35 acre of Ingkhol class লম অসিগী Co-Pattadar No. 1 and 2 অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Pettitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 1 and 2 গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোইননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খংহল্লি। নত্রগদি Court কী হৌনবী মতুংইননা Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-*
Sub-Deputy Collector, Poromapat
Imphal East, Manipur.
*SL/3103/20*



In the Court of the Sub-Deputy Collector
Porompat Imphal East, Manipur
*Ref. :- Mutation Case No. 208/SDC/P of 2015*

**1. Md. Gulam Safi**
S/o. (L) Gulam Muhammad of Kshetri a/p Golapati
**2. Gulam Akbar,** S/o. -do- of -do-
**3. Bilkish Begum**, D/o. (L) -do- of -do-
***- Pettitioners***

***-Vrs-***

**Co-Pattadar No. 3 Gulam Sarwar**
S/o. (L) Gulam Muhammad of Kshetrigao.
***- O.P.s***

**NOTICE**

*Porompat, the 19th February, 2015*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খংহল্লি মদুদিঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 30-Kshetrigao কী Patta No. 336 (অরিবা) 136 (অনৌবা) C.S. Dag No. 11 an area 0.34 acre of Ingkhol class লম অসিগী Co-Pattadar No.3 অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Pettitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No.3 গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোইননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খংহল্লি। নত্রগদি Court কী হৌনবী মতুংইননা Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-*
Sub-Deputy Collector, Poromapat
Imphal East, Manipur.
*SL/3103(b)/20*


**সনা–সুদোকু– ২৭০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 4 | 2 | 9 | 3 | 5 | 7 | 8 | 6 |
| 6 | 9 | 7 | 2 | 1 | 8 | 3 | 4 | 5 |
| 5 | 3 | 8 | 4 | 6 | 7 | 2 | 1 | 9 |
| 9 | 2 | 1 | 3 | 4 | 6 | 8 | 5 | 7 |
| 3 | 8 | 5 | 7 | 2 | 9 | 4 | 6 | 1 |
| 7 | 6 | 4 | 8 | 5 | 1 | 9 | 2 | 3 |
| 8 | 1 | 3 | 5 | 9 | 2 | 6 | 7 | 4 |
| 4 | 7 | 6 | 1 | 8 | 3 | 5 | 9 | 2 |
| 2 | 5 | 9 | 6 | 7 | 4 | 1 | 3 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-271**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | 2 | | | | | | |
| | | | | 4 | | | | 5 |
| | | | 6 | 7 | | | | |
| | 3 | | 8 | | 7 | | | |
| | 7 | 5 | | | | | | |
| | | | 2 | | 4 | | | |
| 9 | | | | 3 | 1 | | | |
| 6 | | 8 | | | | | | |
| | | 1 | | | | 4 | | |